*ৱিন্টর ওলিম্পিক গেমসকী ওইনা পুন্না মেডল ১৪ ফংদুনা গেমস অসিগী পুৱারীদা নুপী এঠলিট অমনা খ্বাইদগী য়াম্না মেডল ফংবগী রেকোর্দ থমখ্রবী নোরৱেগী মারিত বিওরজেন*

*ফোরমুলা কার লমজেলগী অনীশুবা থাক্তা লৈরিবা এফ–২ চেম্পিয়ন্সিপ্তা ত্রিদেন্ট মোটোর স্পোর্ট কম্পেনিগী মায়কৈদগী কেরিয়রগী অহানবা ওইনা কার লমজেল অদু য়াওরগদবা ইন্দিয়াগী আর্জুন মাইনি*

## মালদিপ্সকী টিসি স্পোর্টস ক্লবপু অনীশুবা লেগতা পাঞ্জল ৫–০ দা মায়থিবা পীদুনা ইন্দিয়াগী ক্লব বেঙ্গালুরু এফসি এএফসি কপকী গ্রুপ ষ্টেজ য়ৌখ্রে



বেঙ্গালুরু এফসিগী মায়কৈদগী হেটট্রিক চনবা ঙমখিবা টোনি দোভালে (ওই) না বোল পুশিনবা

*বেঙ্গালুরু, ফেব্রুৱারি ২১ঃ*

এসিয়ান ফুটবোল কনফিদরেসন কপ (এএফসি) ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙরাং অথেংবদা ইন্দিয়াগী ফুটবোল ক্লব বেঙ্গালুরু এফসিনা য়ুম্থু ওইরগা শ্রি কান্টিরাভা ষ্টেদিয়মদা মালদিপ্সকী ক্লব টিসি স্পোর্টস ক্লবকা শান্নবদা পাঞ্জল ৫–০ দা থোইদুনা লেগ অনীগী এগ্রিগেটতা পুন্না বেঙ্গালুরুনা পাঞ্জল ৮–২ দা মায়থিবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী গ্রুপ ষ্টেজ য়ৌবা ঙমখিবনি।

নীংশিংবা য়াই মমাঙগী অহানবা লেগতা বেঙ্গালুরু এফসিনা মালদিপ্সকী টিসি স্পোর্টস ক্লবপু পাঞ্জল ৩–২ দা থোইবা ঙমখিবনি।

ঙরাংগী মেটচ অদু বেঙ্গালুরু এফসিগী মায়কৈদগী শরুক য়াখিবা টোনি দোভালেনা হেটট্রিক চনখিবা অদুনা চাউনা মতেং ওইখিবনি। শান্নবগী ১২শুবা মিনটতা টিম অসিদা শরুক য়ারিবা টোনি দোভালেনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু চনখিবনি।

অনীশুবা পাঞ্জল অদুসু দোভালেনা ৩৫শুবা মিনটতা চন দুনা য়াম্না ঙন্না মালদিপ্সকী টিসি স্পোর্টস ক্লবপু ২–০ দা মাঙজিল থাখি।

মহাক্কী পাঞ্জল অদুগী মতুং ইকান কান্নদনা মিনট অমগী মনুং দা বেঙ্গালুরু এফসিগী মায়কৈদগী এরিক পার্টালুনা টিম অদুগী অহুমশুবা পাঞ্জল অদু চল্লগা অহানবা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ হৌরকখিবা মিনট ৩ তমক চঙশিল্লকপদা বেঙ্গালুরু এফসিদা শরুক য়ারিবা মণিপুর মচা উদান্ত সিংহনা খাইরকপা বোল অমা দোভালেনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা হেটট্রিক অদু ওইখি।

শান্নবগী মখা তারকপা অয়াম্বা মতম মালদিপ্সকী টিসি স্পোর্টস ক্লবকী মায়কৈদগী পাঞ্জল চনশিল্লকখিবা অদু হন্দোক্নবা কন্না হোৎনরকপদগী বেঙ্গালুরু এফসি মখা তানা পাঞ্জল চনবা ঙমদনা লৈরকখিবনি।

শান্নবগী ৯০শুবা মিনটতা বেঙ্গালুরুগী রাহুল বেকিনা টিম অদুগী মঙাশুবা পাঞ্জল অদু চন দুনা মালদিপ্সকী ক্লব অদুবু পাঞ্জল ৫–০ দা মায়থিবা পীদুনা এএফসি কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী গ্রুপ ষ্টেজ য়ৌবা ঙমখিবনি।

পনবা য়াই বেঙ্গালুরু এফসি হৌজিক–হৌজিক ইনি দয়াদা চথরিবা ইন্দিয়ান সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী প্লে ওফ ষ্টেজকীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখ্রবনি। অমরোমদা ঙরাং হেটট্রিক চনখিবা টোনি দোভালেনা এসিয়াদা পাঙথোকপা ফুটবোল কম্পিটিসনদা বেঙ্গালুরুগী শান্নরোই অমনা হেটট্রিক ফংবা অহানবা শান্নরোই ওইবা ঙন্নি।

## মধ্য প্রদেশকী ইসান সাহিনা স্পেনগী ক্লব পালামোস এফসিদা শান্নরগনি

*ভোপাল, ফেব্রুৱারি ২১ঃ*

মধ্য প্রদেশকী নহা ওইরিবা ফুটবোল শান্নরোই ইসান সাহিনা ষ্টেট অদুগী অহানবা শান্নরোই অমা ওইনা স্পেনগী ক্লব পালামোস এফসিদা শান্নরগনি।

পালামোস ফুটবোল ক্লব অসি স্পেনদা খ্বাইদগী লিরবা ফুটবোল ক্লবশিংগী মনুংদা অহুমশুবা থাক্তা লৈরিবনি। নীংশিংবা য়াই মমাঙগী চহীদা ইসানদা স্পেনদা চত্তুনা একাদেমী অমগী মায়কৈদগী



শান্নরুবনি।

মহাক্না পালামোসকা হৌখিবা চয়োলদা কন্ট্রেক্ত অদু খুৎয়েক পীখিবনি। মহাক্না টিম অদুদা শরুক য়ারগা অহানবা মেটচ অদু হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা শরুক য়াখিবনি।

ইসান সাহি মমাঙদা দিল্লিগী মায়কৈদগী চহী ১৯ মখাগী আই লীগ টুর্নামেন্টতা শরুক য়াখিবনি। মমাঙগী চহীদা মহাক্না টুর্নামেন্ট অদুগী ওইনা খ্বাইদগী পাঞ্জল মশিং য়াম্না চনবা ঙম্বা শান্নরোই ওইখি।

মহারাষ্ট্রদা ইংলেন্দগী ফুটবোল ক্লব লিভরপুলগী মীৎয়েং মখাদা চল্লাইবা ফুটবোল একাদেমীদা তম্নবা খল্লকখিবনি। মহাক্কী অপোকপা হর্দিকনা পাউ চে অমগা উন্নবদা ফুটবোল পামজবগী ইহুল অদুনা ভোপালগী দিল্লি পাব্লিক স্কুলদগী ক্লাস এলভেন ফাওবা তম্লগা ফুটবোল মশান্নদা মায় ওনশিনখিবনি। মহাক পালামোস এফসিদা শান্নরগনি হায়বা ৱাফম অসি মধ্য প্রদেশ ফুটবোল এসোসিয়েসনগী সেক্রেটরী অমিত দেবনা অচুম্বনি হায়না ফোঙদোকখি।

## চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল মেটচকী অহানবা লেগকী মেটচতা জর্মনিগী ক্লব বেয়র্ন ম্যুনিক্না টর্কিগী ক্লব বেসিকটাসপু পাঞ্জল ৫–০ দা থোইখ্রে



বেয়ন ম্যুনিক্কী লিৱান্দোস্কি (ময়ায়) না বেসিকটাসকী মায়োক্তা পাঞ্জল চল্লবা মতুং টিমমেটকা হরাওবা ফোঙদোকপা

*বর্লিন। লন্দন, ফেব্রুৱারি ২১ঃ*

য়ুরোপকী ফুটবোল শান্নবা লৈবাকশিংগী ক্লবশিংগী ওইবা খ্বাইদগী চাওবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল মেটচকী অহানবা লেগকী মেটচতা জর্মনিগী মকোক থোংবা ক্লব অমা ওইরিবা বেয়র্ন ম্যুনিক্না টর্কিগী ক্লব বেসিকটাসপু পাঞ্জল ৫–০ দা মায়থিবা পীখ্রে। টুর্নামেন্ট অসিগী অতোপ্পা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল মেটচকী অহানবা লেগকী মেটচ অমদা ইংলেন্দগী ক্লব চেলসি অমসুং স্পেনগী ক্লব বার্সেলোনা পাঞ্জল ১–১ চন্নরগা দ্রো চৎখ্রে।

জর্মনিগী ক্লব বেয়র্ন ম্যুনিক অমসুং টর্কিগী ক্লব বেসিকটাসনা শান্নখিবা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেলগী অহানবা লেগকী মেটচ অদু হৌরকপদা টিম অনীমক য়াম্না লম্বা মান্ননা শান্নরকখি।

শান্নবগী ১৬ শুবা মিনটতা বেসিকটাসকী শান্নরোই দোমা গোজ বিদা বেয়র্ন ম্যুনিক্কী মায়কৈদা নিয়ম লান্না শান্নরুবগীদমক রেফরিনা রেদ কার্দ উৎতুনা তাহোকখিবদগী টিম অদু শান্নরোই ১০ দা হল্লখি।

পাঞ্জল অমা হেল্লবসু বেয়র্ন ম্যুনিক্কী মায়কৈদগী অহানবা হাল্ফ অদুগী অয়াম্বা মতমদা বেসিকটাসপু লাকশিনবা ঙমখিদে। হাল্ফ অদু লোইগদবা মিনট ২ দা ঙাইরবা মতমদা ষ্ট্রাইকর থোমাস মুল্লরনা অহানবা পাঞ্জল চল্লগা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

হাল্ফ মতুংদা অতোপ্পা বেয়র্ন ম্যুনিক্কী শান্নরোই কিংসলে কোমাননা শান্নবগী ৫৩শুবা মিনটতা টিম অদুগী অনীশুবা পাঞ্জল অদু চনখি। মুল্লরনা ৬৬শুবা মিনটতা মহাক্কী অনীশুবা অমদি টিমগী অহুমশুবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা বেসিকটাসপু বেয়র্ন ম্যুনিক্না ৩–০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

শান্নবগী ৭৯শুবা মিনটতা বেয়র্ন ম্যুনিক্কী মায়কৈদগী রোবার্ট লিৱান্দোস্কিনা মহাক্কী অহানবা পাঞ্জল অদু চন্দুনা বেসিকটাসপু ৪–০ দা হেন্দুনা মায় পাকপকী মতম নকশিনখি।

শান্নবা লোইগদবা মিনট ২ দা ঙাইরবা মতমদা লিৱান্দোস্কিনা অমুক্কা হন্না পাঞ্জল অমা চন্দুনা টর্কিগী ক্লব বেসিকটাসপু য়ুম্থু ওইরগা অলিয়ান্স এরেনা ফুটবোল ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা য়ুরোপিয়ান চেম্পিয়ন্স লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী প্রি–ক্বার্টর ফাইনেলগী অহানবা লেগ অদু ৫–০ দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌনবগী অচৌবা খুদোংচাবা অমা লৈখ্রে।

ইংলেন্দগী ক্লব চেলসি অমসুং স্পেনগী বার্সেলোনানা ঙরাং চেলসিগী হোম গ্রাউন্দ লন্দনদা লৈবা ষ্টামফোর্দ ব্রিজদা শান্নখিবা চেম্পিয়ন্স লীগকী প্রি–ক্বার্টর ফাইনেলগী অহানবা লেগকী মেটচ অদুদা টিম অনীমক পাঞ্জল ১–১ চন্নরগা দ্রো চৎখি।

মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফ টিম অনীমক পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে। অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকপা মিনট ১২ চঙশিল্লকপা মেটচকী ৬২শুবা মিনটতা অহানবা পাঞ্জল অদু য়ুম্থু ওইখিবা চেলসিগী মায়কৈদগী ৱিলিয়াননা চনখি।

ৱিলিয়ানগী মায়কৈদগী অহানবা হাল্ফতসু পাঞ্জল চল্লবা খুদোংচাবা অমা মাঙখিবনি। মহাক্না ফংখিবা খুদোংচাবা অমদা বার্সেলোনাগী গোল পোষ্টতা পাল্লগা পাঞ্জল ওইহৌদবনি।

মহাক্না চনখিবা অনীশুবা হাল্ফকী পাঞ্জল অদু মতম ইকান কান্নদনা মিনট ১৩ লৈরগা বার্সেলোনাগী মায়কৈদগী লিওনেল মেসিনা ইক্বেলাইজর অদু চন্দুনা লম্বা মখা তানা চথনখি।

য়ুম্থু ওইদুনা শান্নবগী খুদোংচাবা লৌবা ঙমখিদবা চেলসি মখা তানা পাঞ্জল চনবা ঙমখিদে। ৱিলিয়াননা টিম অদুগী ওইনা খুদোংচাবা অমা মাঙজখিবনি। মহাক্কী সোট পোষ্টতা পান্দুনা অনীরকশুবা ওইনা পাঞ্জল ওইরম্লবা য়াবা খুদোংচাবা অদু মাঙজখি।

মথা থাগী ১৪ দা চেলসিনা বার্সেলোনাগী হোম গ্রাউন্দ কেম্প নৌনা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেলগী অনীশুবা লেগ অদু শান্নগদৌরি। খুদোংচাবা বার্সেলোনানা হেল্লিবনি। মরম অদুনা চেলসিনা টুর্নামেন্ট অসিগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌননবগীদমক অনীশুবা লেগকী মেটচ অদুদা পাঞ্জল মশীং বার্সেলোনাদগী হেন্দুনা চন্দবা য়ারোইদৌরি।

## ইটালিগী সোফিয়া গোজিয়ানা নুপীগী দাউন্দ হিল ইভেন্টতা গোল্ড ফংখ্রে ওএএফ রুশিয়াগী এলিনা জাগিটোভানা স্কেটিংগী রেকোর্দ থুগাইখ্রে



নুপীগী দাউন হিল ইভেন্টতা গোল্ড ফংখ্রবী ইটালিগী সোফিয়া গোজিয়া

*পিওংচাং, ফেব্রুৱারি ২১ঃ*

সাউথ কোরিয়ানা য়ুম্থু ওইরগা পাঙথোক্লিবা ৱিন্টর ওলিম্পিক গেমসকী নুপীগী দাউন হিল ইভেন্টতা ইটালিগী এঠলিট সোফিয়া গোজিয়ানা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখ্রে। ওলিম্পিক এঠলিট ফ্রোম (ওএএফ) রুশিয়াগী নহা ওইরিবা এলিনা জাগিটোভানা ফিগর স্কেটিংগী ৱার্ল্ড রেকোর্দ থুগাইখ্রে।

ইটালিগী সোফিয়া জোজিয়ানা ওলেম্পিক অলপাইন স্কিয়িংগী ইভেন্ট অমা ওইরিবা নুপীগী দাউন হিল ইভেন্টতা মিনট ১ঃ৩৯.২২ দা গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখি।

ইভেন্ট অদুগী সিলভর মেডল অদুনা নোরৱেগী এঠলিট রেগহিল্ড মোৱিনকেলনা মিনট ১ঃ৩৯.৩১ দা ফংলগা ব্রোঞ্জ মেডল অদুনা য়ুএসএগী লিন্সে ভোননা মিনট ১ঃ৩৯.৬৯ দা ফংখি।

নুপীগী ফিগর স্কেটিংদা মশাগী চহী ১৫ দা ঙাইরিবী ওএএফ রুশিয়াগী এলিনা জাগিটোভানা ঙসি য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমদুনা মহাক্কী টিমমেট চহী ১৮শুরবী ইপজেনিয়া মেদবেদেভানা থম্লম্বা ৱার্ল্ড রেকোর্দ অদু মিনট ৭কী মনুংদা য়াম্না থুনা ইভেন্ট অদুদা পোইন্ট ৮২.৯২ ফংলগা অনৌবা রেকোর্দ অমা থম্বা ঙমখিবনি।

মহাক্না উৎখিবা ‘ব্লেক স্বান’ গী মিংথোনবা স্কেটিং অদুদা ত্রিপল জম্প অহুম্লক তৌবা ঙমখি। মদুদা নত্তনা ত্রিপল লুপ কম্বিনেসন অমসুং ত্রিপল লুস উৎপা ঙমখি।

নাকল অমরোমদা নোরৱেগী এঠলিট মারিট বিওরজেননা ৱিন্টর ওলিম্পিক্সকী পুৱারীদা খ্বাইদগী মায় পাকপা এঠলিট ওইবা ঙমখি।

নোরৱেগী এঠলিট অসিনা ঙসি পাঙথোকখিবা ক্রোস কন্ট্রি ৱুমেন্স টিম স্প্রিন্ট ফ্রিদা ব্রোঞ্জ মেডল লৌদুনা মহাক্কী কেরিয়রদা পুন্না মেডল ১৪শুবা ঙমদুনা মহাক্কী টিমমেট ওলে ঐনরনা বাইএথলোনদা ফংখিবা মেডল অদু থারগা ১৩ ফংখিবনি।

হৌজিক ফাওবগী ওইনা সোভিয়েট য়ুনিয়ন হায়না খঙনরম্বা মতম অদুদা জিমনাষ্ট লারিসা লেটাইনিনানা পুন্না মেডল ১৮ ফংখিবা অদুনা সম্মর অমসুং ৱিন্টর ওলিম্পিক গেমসকী ওইনা নুপী এঠলিট অমনা খ্বাইদগী য়াম্না মেডল ফংবা ঙম্বী এঠলিট ওইরি।

নুপাগী আইস হোক্কিদা য়ুএসএবু জেক রিপব্লিক্না পাঞ্জল ৩–২ দা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি। জেক রিপব্লিক্কী টিম অদুনা মমাঙদা নোরৱেবু ৬–১ দা থোইরম্বা রুশিয়াগী টিম অদুগা সেমি ফাইনেলদা থেংনরগনি।

মেডল টেলিনা নোরৱেনা গোল্ড ১৩ ফংলগা মাঙজিল থারি। মখোয়না জর্মনিদগী গোল্ড মেডল অমা হেন্দুনা লৈরি।



নুপীগী ফিগর স্কেটিংগী ৱার্ল্ড রেকোর্দ থমখ্রবী রুশিয়াগী এলিনা জাগিতোভা

## কম্মনৱেল্থ গেমসতা ইন্দিয়াগী বোক্সিং টিমদা ৱেঠ কেটেগোরি ৪ য়াওরোইদৌরি

*ন্যু দিল্লি, ফেব্রুৱারি ২১ঃ*

ওষ্ট্রেলিয়াগী গোল্ড কোষ্ট সিটিদা চহী অসিগী এপ্রিল ৪ দগী ১৫ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা কম্মনৱেল্থ গেমসতা ইন্দিয়াগী টিমগী ওইনা ৱেঠ কেটেগোরি ৪ দা বোক্সর শরুক য়ারোইদৌরি।

নুপীগী কেজি ৫৭ অমদি ৭৫ লোয়ননা নুপাগী কেজি ৬৪ অমদি ৮১ কেজিদা কম্মনৱেল্থ গেমস অদুদা ইন্দিয়াগী বোক্সর শরুক য়াররোই হায়না বোক্সিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী অৱাংবা থাক্কী পাউগী লিখুন অমনা ফোঙদোরক্লি।

নুপাগী কাঙলুপ্তা ইন্দিয়াগী ওইনা কেজি ৪৯, ৫২, ৫৬, ৬০, ৬৯, ৭৫, ৯১ অমদি ৯১ মথক্কী কেটেগোরিদা ইন্দিয়াগী বোক্সর ৮ শরুক য়াগদৌরি।

অমরোমদা নুপীগী ওইনা কেজি ৪৮, ৫১, ৬০ অমসুং ৬৯ দা বোক্সর ৪ না ইন্দিয়াগী মহুৎ শিনগদৌরিবনি।

মথং থাগী ৫ ফাওবগী মনুং দা কম্মনৱেল্থ গেমসকী ওইনা শরুক য়াগদবা লৈবাক অমগী বোক্সরশিংগী মমিং থারক্কদবনি। পনবা য়াবদি হৌজিক–হৌজিক ইনি দয়াগী নুপা অমসুং নুপী বোক্সরশিং বলগেরিয়াদা পাঙথোক্লিবা ষ্ট্রান্দিয়া মেমোরিয়েল টুর্নামেন্টতা শরুক য়ারিবনি।

## ওষ্ট্রেলিয়ানা ন্যু জিলেন্দবু টি–২০ ত্রাই সেরিজগী ফাইনেলদা থোইদুনা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইখ্রে

*ওকলেন, ফেব্রুৱারি ২১ঃ*

ন্যু জিলেন্দনা য়ুম্থু ওইরগা ওষ্ট্রেলিয়া অমসুং ইংলেন্দগা লোয়ননা শান্নবা লৈবাক অহুমগী টি–২০ সেরিজগী ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদু ওষ্ট্রেলিয়ানা দিএল মেথদনা রন ১৯ দা মায় পাকখিবদগী সেরিজ অদু লৌদুনা টি–২০ গী রেঙ্কিংদা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ওইবা ঙমখ্রে।

ঙসিগী ফাইনেল মেটচ অদুগী টোস ন্যু জিলেন্দনা ঙমদুনা ওভর ২০ দা ৱিকেট ৯ তুরগা রন ১৫০ লৌখিবনি। টিম অদুগী মায়কৈদগী রোজর টেলরনা আওট ওইদনা বোল ৩৮ দা সিক্স ১ গা ফোর ২ য়ৈরগা রন ৪৩ লৌখিবা অদুনা খ্বাইদগী ফজবা ওইখি।

ওষ্ট্রেলিয়ানা মায় পাক্নবা রন ১৫১ গী টার্গেট অদু য়ৌনবা হোৎনরকপদা ওভর ১৫ গী ৪শুবা বোলদা বেটসমেন ৩ আওট ওইরগা রন ১২১ লৌদুনা লৈরিঙৈদা নোংনা মরক থৎপদগী মখা তানা শান্নবা য়াদনা লৈখিবা অদুনা চৎন–পথাপকী মতুং ইন্না দিএল মেথদদা ওষ্ট্রেলিয়ানা ফাইনেল মেটচ অদু রন ১৯ দা থোইবা ঙমখিবনি। ওষ্ট্রেলিয়াগী মায়কৈদগী ওপনর দি আরসি সোর্টনা বোল ৩০ দা রন৫০ লৌদুনা খ্বাইদগী ফজবা ওইখি।

## জেক রিপব্লিক্কী কেরোলিনা প্লিজকোভা দুবাই ওপন দব্লিয়ুটিএ টুর্নামেন্টকী ক্বার্টর ফাইনেলদা জর্মনিগী এঞ্জেলিক কর্বরগা লম্বা তৌনরগনি



দুবাই ওপন টেন্নিসকী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌখ্রবী জেক রিপব্লিক্কী প্লিজকোভা

*দুবাই, ফেব্রুৱারি ২১ঃ*

য়ুনাইটেদ আরব ইমিরেটসকী সিটি দুবাইদা পাঙথোকপা দুবাইওপন দব্লিয়ুটিএ টেন্নিস টুর্নামেন্টতা জেক রিপব্লিক্কী কেরোলিনা প্লিজকোভা অমসুং জর্মনিগী এঞ্জেলিক কর্বর ক্বার্টর ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অহুমশুবা সিদেদ ওইরিবী প্লিজকোভানা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা স্পেনগী কার্লা স্বারেজ নভারোগা লম্বা তৌনবদা ৫–৭, ৬–২, ৬–৪ দা থোইখিবনি।

প্লিজকোভাগী সেমি ফাইনেলদা লম্বা ওইগদৌরিবা টুর্নামেন্ট অসিগী ৬শুবা সিদেদ শান্নরোই জর্মনিগী এঞ্জেলিক কর্বরনা মহাক্কী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা ইটালিগী সারা ইরানিবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা ৬–৪, ৬–২ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নম্বর ৱান সিদেদ শান্নরোই য়ুক্রেনগী এলিনা স্বিটোলিনানা অনীশুবা রাউন্দদা চাইনাগী শান্নরোই কিয়াং ৱাংবু অকনবা লম্বা অমদা ৬–১, ৫–৭, ৬–২ দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা ইষ্টোনিয়াগী এ কোন্টাভিয়েটপু ৬–২, ৭–৬(৭–৫) দা থোইরম্বী জপানগী এন ওসাকাগা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রবী অতোপ্পা শান্নরোই অনী অদুদি লাটভিয়াগী জেলেনা ওষ্টাপেঙ্কোবু ৬–১, ৭–৬(৮–৬) দা থোইরম্বী রুশিয়াগী এলিনা ভেসনিনা অমদি রুশিয়াগী একাটেরিনা মকারোভাবু ৬–৪, ৬–২ দা থোইরম্বী ফ্রান্সকী টুর্নামেন্ট অসিগী ৫শুবা সিদেদ শান্নরোই কেরোলিনা গার্সিয়ানি।

য়ুএসএদা পাঙথোকপা দেলরে বিচ এটিপি টুর্নামেন্টকী নুপাগী দবলসকী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা য়ুএসএগী পেয়র জেক সোক অমসুং জেক্সন ৱিথ্রোগী মখূত্তা ইন্দিয়াগী লিয়েন্দর পেস অমসুং পুরব রাজা ৩–৬, ২–৬ তা মায়থিদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিদ্রে।

ওষ্ট্রেলিয়াগী পর্থ সিটিদা পাঙথোকপা আইটিএফ ৱুমেন্স টেন্নিস টুর্নামেন্টকী অহানবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী কর্মান কোর থন্দি চাইনাগী জিয়া কি কাংবু ৬–৩, ৬–৩ দা থোইদুনা প্রি–ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

হায়রিবা টুর্নামেন্ট অদুমক্কী নুপীগী দবলসকী কাঙলুপ্তা কর্মান কোর থন্দিনা রোমানিয়াগী জেক্লিন এদিনা কৃষ্টিয়ানগা পেয়র ওইদুনা ক্রোএসিয়াগী টেরেজা মর্দেজা অমসুং ইন্দিয়াগী প্রাথনা থোম্বারেগী পেয়রবু ৬–৪, ৬–১ দা মায়থিবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

ব্রাজিলগী রিও সিটিদা পাঙথোকপা রিও ওপন এটিপি টুর্নামেন্টতা নম্বর ৱান সিদেদ ওইরিবা ক্রোএসিয়াগী মারিন সিলিক অমসুং ফ্রান্সকী গেল মোনফিল্স অনীশুবা রাউন্দদা থেংনরগনি।

সিলিক্না অহানবা রাউন্দদা আর্জেন্টিনাগী সি বার্লোকপু ৬–৩, ৬–৩ দা মায়থিবা পীরমখি। অমরোমদা গেল মোনফিল্সনা অতোপ্পা আর্জেন্টিনাগী শান্নরোই ঐচ জেবালোসপু ৭–৫, ৩–৬, ৭–৫ দা থোইখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৫শুবা সিদেদ শান্নরোই ইটালিগী এফ ফোগনিনিনা ব্রাজিলগী টোমাস বেলুচিবু অহানবা রাউন্দদা ৬–৭(৫–৭), ৭–৫, ৬–২ দা মায়থিবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দদা স্পেনগী আর কেরোলিস ভেনাবু ৪–৬, ৬–১, ৪–৩(রিটয়ার্দ) দা থোইখিবা য়ুএসএগী টি সেনগ্রিনগা থেংনরগনি।

নম্বর টু শান্নরোই ওইরিবা ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিক থিয়েমনা মহাক্কী অহানবা রাউন্দগী মেটচতা সর্ভিয়াগী দি লাজোভিসপু ৬–২, ৭–৫ দা থোইদুনা ওষ্ট্রিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোই জি মেলজরবু ৭–৫, ৬–২ দা থোইরম্বা স্পেনগী পি অন্দুজাগা অনীশুবা রাউন্দদা থেংনরগনি।

অহুমশুবা সিদেদ শান্নরোই স্পেনগী পি কারেনো বুষ্টানা স্লোভাকিয়াগী এ বেদানেগা অনীশুবা রাউন্দদা লম্বা তৌনরগনি।